থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পুন্সি মশক খঙদবা পুন্সি ময়াম




‘ঐবু নহানমুক্কী মপোক্তা করি কর্ম্ম তৌরক্তুনা অসি য়ৌনা ৱারিবনো…’ ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ঈথক থোংবশিংনা ইমা-ইনে-ইন্দোলশিংনা মচীন্দা তৎতনা শোনবা তারকই। হন্দক মপোকসিদা মহাক্না তৌখিবা থবক অমত্তদা তাইশিন্দুনা মহাক ৱারিবনি মহাক্না তৌখিবা তৌহৈদবা থবক অমত্তা পন্দুনা থবক্তুগী ফৎতবা মহয় ফংবনি হায়বসি কৈদৌঙৈদা হায়দে মীওইবনা। কনাগুম্বা অমদা তাইশিনগনি। মমা-মপাদা নৎত্রগা শকউদবা তাইবং মপুদা। অখঙ-অহৈ, পন্দিত খুদিংনা হায়রক্কনি-নঙনা ঙসি ফংলিবা অফবা নৎত্রগা ফত্তবা, মমাঙগী মপোক অমদা তৌরকখিবা কর্ম্ম’দুগী মহয়নি। কনাগুম্বা অমনা তুংদা অসুম হায়রক্লবা, মাবু ’মুক্তা ৱাখল তাহনবীরম্মু- নহানমুক্কী মপোক কৌবা পুন্সি অমা কৈদৌনুংদা লৈখিদে, মথঙ মপোক অমসু ফংলোই কনামত্তনা। হন্দক মপোক কৌরিবা, হৌজিক হিংলিবা পুন্সি অসি নত্তনা অনীশুবা পুন্সি অমা লাইগুম্বা মহাকসু ফংখিবা লৈতে মাঙলমচৎতা। ফত্তবা থবক তৌবগী কনাগুম্বা অমদা চৈরাক পীবা তারবা, মপোক্তুনা লোইদ্রিঙৈ পীফম থোক্তবরনে? চৈরাক পীনবগীবু মপোক অমা ঙাইবা হৌনদে, তৌরোই তাইবং মপুসু মথোঙ হুক্তবা থবক্তু। ঐনা ঐবু খঙদ্রিঙৈ, পলেম পন্থৌগী মীনুংশি মখাদা লৈরিঙৈ, নাৱা ওইরিঙৈ মতমদু ঐগী মমাঙ’ মপোক্লি। ঐবু খঙবা হৌরকপা-নুংঙাই-য়াইফ, অপাম-নুংশি, অৱা-অনা করিনা করিনো খঙলকপা মতমদুদৈ হৌবনি হন্দক মপোক। মতমদুদা খনখিবা ৱাখলদুনা লমজিংলক, তৌখিবা থবক ময়ামদুনা লেপকনি- হেদো নাহেন চন, লেঙবা চৎপা ঙল্লক্তুবা মতমদুগী পুন্সি-মরেল। অদুবু কৌই হন্দক মপোক। ঐনা তৌবা কর্ম্মগী ফল মপোকসিদা অদুম ফংগনি। ফত্তবা লাই (সতান/সৈতান) হায়বা অমা লৈতবনি। লৈরম্বা থোক্লবদি মদু ঐহাক ইশানি, ঐহাক ইশানা শেমজবনি।

মীওইবগী ‘ঐ’ হায়বা ৱাখলসিনা তাইবং অসি শেল্লিবনি। অৱাবসু, নুংঙাইবসু ঐ/ঐগী হায়বা ৱাহৈসিদৈ থোকপনি। অহেনবা পাম্বা, অৱাংবা কাবা পাম্বা মীওইবগী লমচৎ অদুনা শেল্লকই ‘ইগো’- ঐ… ঐতগী ওইবা ৱাখল! নাপল! মাউন্ট এভরেষ্ট চীংদোল খুদুম চনখিবা মতমদুদা ‘এদমন্দ হিল্লারি’দা নুপা অমনা হংখি… ‘সার! করিগীনো নঙনা অসুক খুদোংথীরবা থবক অসি তৌরিবা? মমাঙদা মীওই কয়ানা চীংদোল অসি মতোল লোম্না কানবা হোৎনবদা পুন্সি মাঙখ্রবনি, ঙমদদুনা তোকখ্রবনি। ঙসি ঙল্লে নহাক্না। কান্নবদু করিনো?…’

‘কান্নবা!’ হিল্লারি চমম্নানা খুল্লকখি, ‘কান্নবা হায়বু করিনো! এভরেষ্ট চীংদোল মীনা খুদুম চনবা ঙমদনা লেপ্তুনা লৈবদু উবদা ঐ পোথাফম খঙখিদে। মাবু খুদুম চন্দবা য়াদবনি। ঐগী কান্নবা/কান্নদবা, মদু ৱাহং নত্তে, এভরেষ্ট চীংদোল খুদুম চনবা ঙমদবা হায়বসি মীওইবদা অচৌবা শিংনবা অমনি…’।

শিংনবা! কনানা কনাদা শিংনরিবা? মহৌশাদা মীওইবনা শিংনবা! মদুবু হৌনবা/তৌহৈবা থবক্লনে? মীওইবসু মহৌশা হায়বদুগী শরুক অমা নত্তরা? শিংনরক্লিবদু মহৌশা’না নত্তে, হিল্লারিগী ‘ইগো’না মহাক মশাদা শিংনরকপনি।

হিল্লারিগী ৱা ঙাকসু নত্তে। ঐখোয় ইশানা ইশাদা হন্ন’মুক্তা য়েংজসি। ঐখোয় পুন্নমক ইশাগী ইগো’না মরম ওইদুনা থবক কয়া তৌরি। অহল-লমনশিংনা শাবীরম্বা নৎত্রগা ইশানা শাজখিবা য়ুম অদু, নীংথিনা/নুংঙাইনা লৈবা য়ারবসু হেন্না ফজবা/হেন্না নুংঙাইবা য়ুম অমা শানিংই। করিগী? ঐগী ‘ইগো’বু পেলহন্নবা। কোনুংগুম্বা য়ুম অমা শাবা লোইদুনা হোংজিল্লে। য়ুম অদো ঐগী নত্তে, ঐগী ইগো অদুগীনি। ফংলিবা ঐগী খুৎশুমল/তলব/ইনফম- ঐবু অৱাৎপা লৈতনা, অৱাবা য়াওহন্দনা হিংহনবা ঙল্লবসু- পাম্মী ঐখোয়না অহেনবা শেনফম, থোইদোক হেন্দোক্লা, চহী চাম্মা ৱাত্তা-পাদা হিংনবা। অহেনবা শেনফম অদু ঐগী নত্তে, ঐগী ইগোদুগীনি। ঐগী ইগো’না পাম্মী- মালেমদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মীশক অমা ওইবা! খ্বাইদৈ ইনাক খুনবা মীশক অদু ওইরগা করি তৌদৌরিবা? ৱাহংসিগী পাউখুমদা অতোপ্পা ৱাহং অমা। পাউখুম চাম্মা, ৱাহং চাম্মা, কর্ম্ম লীশিং! পঙলবা ‘অশিংবা সাধু’ অদুনা হায়রক্কনি… পুন্নমক কর্ম্মগী ফলনি, তাইবং মপুগী লীলানি। অদুগা মার্ক্সিষ্ট, কম্যুনিষ্ট, সোসলিষ্টশিংনা তাক্লক্কনি- সোল ষ্ট্রকচর, ইকনমিক সিষ্টেম অসি মীয়ামসিবু ৱাহনবনি। ফ্রোইদকী ৱাখল্লোন’দা থাজবা সাইকো-এনালিষ্টশিংনা অমুক হায়রক্কনি- মমা-মচাগী মরীদুনা ওইহল্লকপনি।… পুন্নমক মরম অমা নৎত্রগা অমনা ওইহল্লকপা! মশামক্তুনদি মরম অমা শুকওই ওইদবা! কর্ম্মনা, সমাজনা নৎত্রগা লাইগী নোংদম’না!

‘ঐগী’ হায়বা ৱাখলসিগা তাইবংসিদা হিংলিবা ‘ঐ’ অসিগী মরক্তা চাউনা মুক্নবা, অমগা অমগা শকখঙনদবা অমা থোক্লি। মসিনি মীওইবগী অৱাবা পুন্সগী হৌরকফম।

নহাক কনানো? শক্লাইবা অমদা হংবীয়ু। ঐ ‘তোম্বা/অলবর্ত/ইসমাইলনি’। পোক্লকপদা য়াওরক্তবা মিংদুনা শক্তাক্লক্কনি। মখা তাবদা হায়রক্কনি… ‘ডোক্তরনি, বিজিনেসমেননি, পোলিটি-সিয়ননি… মশানা পায়বা শিনফম ওইনা শক্তাক্লক্কনি। মহাক মশানা হিংলিবা পুন্সিদুগী মশক্তি কৈদৌঙৈদা তাক্লক্লোই। মরমদি? মহাক পুন্সি মশক খঙদে।

লৌশিং পুক্কে

# থম্মোয়গী লায়না নাবগী চাং ৱাংখৎলকপা

মীপুম খুদিংমক মথৌ চিনবা নেহগৎলক্লবসু হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপা মরম্না ইন্দিয়াদা থম্মোয়গী লায়না নাবগী চাং ৱাংখৎলকপনি হায়বা অতৈ সর্ভে অমদগী খঙবা ঙল্লে।

ক্যুরোফি কৌবা ডোক্তরশিংগী নেটৱার্কিং গ্রুপ অমনা চথখিবা সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খি, ইন্দিয়াদা শিরিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ২৫ রোমদি কার্দিওভাস্কুলর দিসওর্দরনা মরম ওইরগা শিবনি। অহানবদা হার্ট দিজিজ হায়বসি সীটিগী ইনাক কৈরাক খুনবা মীওইশিং খক্তদা নাবা লায়নানি হায়না লৌনরম্লবসু হৌজিক্তি খুঙ্গংগী লায়রবা মীওই কয়াসু লায়না অসিনা নাবা থেংনরে।

ডোক্তর ২,২৩০ না চথখিবা ষ্টদিশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙলকপা রিপোর্টনা হায়খি, অয়াম্বা মতমদা চাবা থকপগী মওং শোয়বনা থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লকপনি।





মেদান্টাগী সিনিয়র কন্সলটেন্ট কার্দিওলোজিষ্ট ডা. কার্টিকেয়া ভর্গবানা হায়খি, হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপা, অয়াম্বা মতমদা ৱাখল চরাংনবা অমসুং মৈখু শীজিন্নবনা মরম ওইরগা কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ (সী ভি দি) গী চাং ৱাংখৎলকপনি। চাবা-থকপগী মওংদসু অহোংবা কয়া লাকপগা লোয়ননা থাউদা তাউবা চীঙ্গাক কা-হেন্না চাবদগী হার্টকী মথৌদা অকায়বা থোকহল্লক্লি। অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা অমসুং চাবা-থকপগী মওং শোয়বা হায়বসিনা মরুওইবা মরম ওইরগা মীওই কয়া খঙহৌদনা হার্ট ফেল ওইহল্লগা শিরি।

মেদান্টাগী মেনেজিং দিরেক্টর নরেশ ট্রেহাননা হায়খি, ইমুং-মনুংগী ওইবা ঈ মরীদগী লৌনরকপা জিনগী অশোয়বনা থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লকপগী চাংদি য়ামদে। অয়াম্বা মতমদা চাকচা-য়ুথক অমসুং পুন্সি মহিং শোয়বদগী লায়না অসি ওইহল্লকপনি। খুদম ওইনা মৈখু শীজিন্নবা হায়বসি হার্টকীদমক্তদি কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই। হকচাং লেঙ ওৎপগী চাং ৱাৎপগা লোয়ননা চিনিগী শরুক য়াম্না য়াওবা চীঙ্গাক চাবা হায়বসিসু হার্টকী লায়না ওইহল্লক্লবগী মরুওইবা মরমনি। নোংমগী ঙাইহাক-ঙাইহাক খোঙকাপ খরা খোঙনা চৎপগা লোয়ননা অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ ওৎপগী থবক তৌবা য়াম্নমক তঙাইফদে হায়না মেদান্টাগী মেনেজিং দিরেক্টর নরেশ ট্রেহাননা ফোঙদোকখি।

হার্টকী ফীভম ফনা থম্নবগী পান্দমদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৯ দা ‘ৱর্ল্ড হার্ট দে’ গী থৌরম মালেমগী মফম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লকখি। হার্টকী ফীভম ফরবদি পুন্সি নুংশাংনা অমসুং নুংঙাই য়াইফনা হিংবা ঙম্মী। কোরোনরি হার্ট দিজিজ হায়বসি ইচম চম্না পুন্সি মহিং শেমদোক্লগা ঙাকথোকপা ঙম্বা লায়নানি। কোরোনরি হার্ট দিজিজগী রিস্ক হন্থহন্নবগীদমক চাকচা-য়ুথক ফজবগা লোয়ননা হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎহন্দবা, অৱাবা ৱাখল খন্দবা, হকচাং শাজেল তৌবা অমসুং মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা মথৌ তাই।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা অপূনবা মীশিং বিলিয়ন ১.২৭ কী মনুংদা মীওই মিলিয়ন ৪৫ রোমদি কোরোনরি অর্টরি দিজিজনা নারি। মতম খরগী মতুংদদি ইন্দিয়ানা থম্মোয়গী লায়না নাবা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক ওইরগনি হায়না পানরি। কুমজা ২০৩০ গী অদুৱাইদদি ইন্দিয়াগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৩৫.১ লোম থম্মোয়গী লায়নানা মরম ওইরগা শিরগনি।

মতম অমদা চহী য়ামশিল্লক্লবা মীওইশিং খক্তদা নাবা লায়নানি হায়না থাজনরম্বা হার্ট দিজিজনা নারবা নহারোল কয়া ইন্দিয়াদা লৈরে। পুন্সি মহিং শোয়বা, অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা অমসুং হকচাং শাজেল তৌদবা মরম্না ফীভম অসি ওইহল্লকপনি। ইন্দিয়াগী মীওই মিলিয়ন ৫০.৮ লোম দাইবে-টিসনা নারি। দাইবেটিস হায়বসি হার্ট দিজিজ অমসুং ষ্ট্রোক্কী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরনি।

হৌখিবা চহী ৫০ গী মনুংদা ইন্দিয়াদা দাইবেটিনা নাবা অমসুং ব্লদ প্রেসর ৱাংবা মীগী মশিং অঙকপা ফংনা ৱাংখৎলক্লি। মদুনা মরম ওইরগা ষ্ট্রোক, হার্ট এটেক, কিদনি ফেলিয়র অমসুং হার্ট ফেলিয়রগী রিস্ক হেনগৎলক্লি। ইন্দিয়াদা অর্বান এরিয়াগী মীওই চাদা ২৫ দগী ৩০ ফাওবা ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। রুরেল এরিয়াগী ওইনদি চাদা ১০ দগী ১৫ ফাওবনি।

হকচাংগী অরুম্বা হেনবগা লোয়ননা কা হেন্না নোয়বা হায়বসি থম্মোয়গী লায়না অমসুং দাইবেটিস ওইহল্লক্লবগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরনি। হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপনা হার্ট দিজিজ অমসুং ষ্ট্রোক্কী রিস্ক চাদা ৫০ রোম হেনগৎহল্লি।

অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবগা লোয়ননা হকচাং শাজেল তৌবগী চাং ৱাৎপা মরম্না ইন্দিয়াগী মীওইশিং চহী নৌনা থম্মোয়গী লায়না নাবা থেংনরি। নোংচুপ লৈবাকশিংগা য়েংনবদা ইন্দিয়াগী মীওইশিং মনুং মতম চাদনা লায়না অসিগী চৈথেং ফংলি।

হার্ট অমদি ঈ উতোংগী ওইবা লায়নাশিংবু কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ (সী ভি দি) হায়না খঙনৈ। মরুওইনা কোরোনরি হার্ট দিজিজ, হার্ট ফেলিয়র, কার্দিওমা-ইয়োপেথি, কোঞ্জেনাইটেল হার্ট দিজিজ, পেরিফরেল ভেস্কুলর দিজিজ অমসুং ষ্টোকনি। গুরগাওনগী মেদান্টা-দ মেদিসিটিগী চেয়রমেন অমসু মেনেজিং দিরেক্টর নরেশ ট্রেহাননা হায়খি, অর্বান এরিয়াদা নহা ওইরিবা মীওইশিংনা হার্টকী লায়না নাবগী চাং চাদা ১০.৫ অমসুং রুরেল এরিয়াদনা চাদা ৬ হেনগৎলকপা থেংনরে।

মেট্রো সীটিশিংদা লৈরিবা মশাগী চহী ২৫ দগী ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই চাদা ৭ কোরোনরি হার্ট দিজিজ নাবা থেংনরে। হার্ট য়ৌনা ঈ পুরিবা কোরোনরি অর্টরি ফুনবগী থৌওং অসিনা খ্বাইদগী তোয়না থেংনবা হার্টকী লায়নানি হায়না ন্যু দিল্লিগী গঙ্গারাম হোস্পি-টালদা সিনিয়র কন্সটেন্ট (কার্দিওলোজি) ওইবা অশ্বানি মেহতানা ফোঙদোক্লি।

নোইদাগী জেপি হোস্পিটালদা ইন্টরভেন্সন কার্দিওলোজিগী দিরেক্টর ওইবা গুঞ্জন কাপুরনা হায়খি, ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওইশিং মনুং মতম চাদনা কোরোনরি অর্টরি দিজিজ নাবা থেংনরে। মসিগী মরুওইবা মরমদি হকচাং শাজেল তৌদবা, চাবা থকপগী মওং হোংলকপা, অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা, মৈখু অমদি হীদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নবা, য়ু থকপা অমসুং থুম য়াম্না য়াওবা চীঙ্গাক চাবা অসিনচিংবনি।

# য়াইস্কুল এ সীদা ৱাল পেন্টিং কেম্প্যেইন হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএন এস): লাক্কদৌরিবা ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী মীখলদা য়াইস্কুল এ সীদগী মীরেপ ওইনবা থৌরাংলিবা হরেশ্বর গোশ্বামীনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরগা য়াইস্কুল এ সীদা বি জে পিগী ওইবা ৱাল পেন্টিং কেম্প্যেইন ঙসিদগী হৌখ্রে।

ৱাংখৈ মৈহৌফম লম্পাক্তা লৈবা লিজার্ট লাইব্রেরী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা এৱ্যেরনেস কম ৱাল পেন্টিং কেম্প্যেইন ওফ বি জে পি হৌদোকপগী থৌরমদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এন নিম্বশ, ষ্টেটিষ্টিক্স এন্দ ইকো-নোমিক্স দিপার্টমেন্টকী হান্নগী দিরেক্টর এন অমুরৈ, বি জে পি সেন্ট্রেল দিষ্ট্রিক্টকী ভাইস প্রসিদেন্ট আর কে সুরজ অমদি মশক নাইরবা মীওই কয়ানা দেজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী আর টি আই সেলগী কনভিনর হরেশ্বর গোশ্বামীনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্লিবা কোংগ্রেস পার্টিনা সেন্টরদগী শেন্থং পীথরক্তে হায়রিবা অসি অরানবা ৱাফমনি। মেক ইন ইন্দিয়াগী মখাদা মেক ইন মণিপুরগীদমক তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রাম কয়া মণিপুরদসু ইমপ্লিমেন্ট তৌহন্ননবা সেন্টরনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা খঙহল্লকখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ঙসি ফাওবা মীচম মীয়ামগী য়াইফগদবা থবক থৌরমশিং অসি মপুং ফানা পায়খৎপা লৈত্রি। সেন্টরদা লৈরিবা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পিগী গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী য়াইফননবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি। ষ্টেটসিদসু বি জে পিনা অফবা অহোংবা অমা পুরক্লবা হোৎনজগে। হৌজিক লৈরিবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট অসিনদি মীয়ামগী য়াইফননবা থবক অমত্তা তৌদ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এন নিম্বশনা হায়খি, সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিগী গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা স্কিম কয়া পায়খৎলি। অদুমকপু মণিপুরদা হৌজিক লৈঙাক্লিবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনদি মীয়ামগী য়াইফগদবা স্কিমশিং অসি মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোক্ত্রি। য়াইস্কুল এ সীদা ঙসি ৱাল পেন্টিং কেম্প্যেইন হৌদোকপা অসিনা য়াইস্কুল এ সীদসু বি জে পিগী মপাঙ্গল কনৎহল্লগনি খল্লি। লোয়ননা বি জে পিনা মীয়ামগীদমক করি তৌবা পাল্লি হায়বসি পুন্না খঙমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এন নিম্বশনা ৱালদা বি জে পিগী সিম্বোল ওইরিবা থম্বাল য়েক্তুনা কেম্প্যেইন অদু হৌদোকখি।

# ‘অরানবা থৌশিলশিং থিংনবা বি জে পি কনখৎহনবা চঙই’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএন এস): কোংগ্রেস পার্টিগী অরানবা থৌশিলশিং অসি থেংনদুনা মায়থীবা পীনবগীদমক বি জে পিগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা চঙই হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্সপার্সন আর কে শিবচন্দ্রনা ঙসি ক্বাকৈথেলদা পাঙথোকখিবা পোলিটিকেলগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

কৈশামথোং মন্দল বি জে পিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পোলিটি-কেলগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বি জে পি মণিপুরগী স্পোক্সপার্সন আর কে শিবচন্দ্রনা হায়খি, কোংগ্রেস পার্টিনা মতম শাংনা লৈঙাক পায়রকপা অরানবা থৌশিল কয়া চথরি। অরানবা থৌশিলশিং অসি চপ চানা থেংনদুনা মায়থীবা পীনবগীদমক বি জে পি কনখৎহনবা তঙাইফদে।

সেন্টরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক হেক লাকপগা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী থবক কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলকপা অসিনা অচৌবা ৱেব অমা লাক্লি। নরেন্দ্র মোদিগী ৱেব অসি লমদম অসিদসু য়ৌরক্লি। ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লৈঙাক পায়বা ঙম্নবা হোৎনবা চঙই। মীয়ামগীদমক অফবা অহোংবা লৈঙাক পুরকপা তঙাইফদ্রে।

ষ্টেট অসিদা মীখল ময়া য়ৌশিল্লক্লবা মতম অসিদা দিপার্টমেন্ট কয়াদা থবক লৌগনি হায়দুনা তৌরক্লিবা অসি নীংথিনা য়েংশিনবা তঙাইফদে। ষ্টেট অসিগী শেল-থুমগী ওইরিবা ফীভম কয়া অসিদা মতৌ করম্না দিপার্টমেন্টশিংদা থবক ময়াম লৌনবা হোৎনরিবনো হায়বসি খন্ন-নৈনবা মতম য়ৌরে। হীরম অসি তরাইনা লৌবা চুপ্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী প্রসিদেন্ট শান্তিকুমার শর্ম্মানা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। বি জে পিগী কাউন্সীল্লরশিং, ইলিজা, ইনুংঙানবী, রোমিও অমদি বঙ্কিমচন্দ্রসু শরুক য়াখি।

# লাইফরোক খুলগী খুঞ্জাশিংদা লেম্না চিনি য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএন এস): কৈরাও এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা লাইফরোক মরিং খুল, চীংজা উকুগী খুঞ্জাশিংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী কিষান মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম ইতোম্বা মীতৈনা চিনি লেম্না য়েন্থোকখ্রে।

ঙসি চীংজা উকু মরিং খুলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা খুল অদুগী খুঞ্জাশিংদা চিনি য়েন্থোকখি। চিনি য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী কিষান মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন ইতোম্বনা হায়খি, কৈরাও এ সী অসি হীরম কয়াদা শোত্থরবা লমদম অমা ওইনা লৈরি। এ সী অসিগী মীহুৎ ওইরিবা মীওই অসিনা চঙফম থোকপা মীৎয়েংশিং নীংথিনা চঙবীদবদগী ফীভম অসি য়ৌরকপনি। এ সী অসিদা লম্বী-থোংদগী হৌরগা হীরম কয়াদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। ফীভম অসিদা অমত্তা ওইনা খন্নমিন্নদুনা অওনবা লৈঙাক অমা পুরকপগী তঙাইফদবা লৈরে। মীয়ামগীদমক কত্থোকপগা লোয়ননা থবক তৌবা ঙমগদবা মীহুৎ অমা থাগৎতুনা এ সী অসিগী শোত্থরিবা ফীভম কয়া অসিদগী অওনবা চাউখৎপা মায়কৈদা লাকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নরসি।

ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেস লৈঙাক মতম শাংনা লাকপা অসিদা মীয়ামগীদমক য়াইফনবা করম করম্বা থৌরাং পায়খৎপা লৈখ্রবগে হায়বসি খন্ন-নৈননিংঙাই ওই। লমদমসিগী মীয়াম হীরম কয়াদা অৱাবা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদগী কোক্তুনা অওনবা পুরকপা ঙম্নবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নরসি। অৱাৎ-অপানা থল্লবা ফীভম অসিদা করম্বা মীহুৎ খল্লগা চাউখৎপা পুরকপা ঙমগদগে হায়বসি চপ চাবা ফীরেপ অমা লৌবা চঙই। লাক্কদৌরিবা এসেমব্লী মীখল অসিদা মীয়ামগী চপ চাবা ফীরেপ লৌহৌরসি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা চীংজা উকু মরিং খুলগী চর্চকী পাষ্টর আর কোথিল অমদি চর্চকী মীওই এম অঙ্গারুংসু শরুক য়াখি।

# ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ : খুরাইজম অমদি তোংব্রম লৈকায় বি জে পি দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি পাৎশোই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তেরা খুরাইজম লৈকায়দা বি জে পি কেদর ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বি জে পি মণিপুরগী স্পোর্টস সেলগী হান্নগী কনভিনর দল্লিয়ু ইবোমচানা হায়খি, বি জে পিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা কাঙলোন কয়া লৈরি। মীয়ামগীদমক পার্টি অসিনা লেপ্লিবা অমদি পায়খৎলিবা কয়া অসি খঙমিন্নবা তঙাইফদে। বি জে পিগী ফজরবা ৱাখল্লোন কয়া অসি নীংথিনা খঙমিন্নদুনা পার্টি অসিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা হোৎনসি।

মীয়ামগী থবক তৌবা ঙমগদবা অশেংবা লুচিংবশিং খন্নবগীদমক ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। বি জে পিগী মীরেপ ওইরক্কদৌরিবা মীহুৎপু মায় পাকহন্নবগীদমক কন্না হোৎনবা চঙই। মীয়ামগীদমক চাউখৎ থৌরাংদা খুন্মাং চাউশিনবা পুরক্লবগীদমক অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা তখেল্লম্বম নিমাইনা চীফ গেষ্ট, সোরাইশম কুল্লানা প্রসিদেন্ট অমসুং সোইবম ইন্দ্রকুমারনা স্পেসল ইনভাইটিস ওইনা শরুক য়াখি।

# ‘মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌগে হায়বগীদমক কোংগ্রেসতগী তোক্লগা বি জে পিদা য়াওরকপনি’




ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচএন এস): কোংগ্রেস পার্টিনা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্লকপা চহী ১৫ রোম অসিদা লায়রবা মীয়ামগী য়াইফননবা থবক অমত্তা নীংথিনা পায়খৎতে। মরম অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌগে হায়বগীদমক কোংগ্রেসতগী তোক্লগা লুচিংবা কয়া বি জে পিদা য়াওরকপনি হায়না উরিপোক এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদগী মীরেপ ওইননবা থৌরাংলিবা সোসল ৱার্কর নামৈরাকপম সন্তোশ মঙাঙনা ফোঙদোকখ্রে।

উরিপোক কেন্দ্র শেমগৎ-শাগৎ লূপনা শীন্দুনা লম্ফেল সনা কৈথেল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী ওইবা পোলিটিকেল মীফম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা সোসাল ৱার্কর নামৈরাকপম সন্তোশ মঙাঙনা হায়খি, লমদমসিদা লৈরিবা লায়রবা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং কোংগ্রেস লৈঙাক অসিনা ঙসি ফাওবা নীংথিনা ফংহন্দে। কোংগ্রেস লৈঙাক্কী লুচিংবা ফৎত্রগা মখা তাবশিং ফগদবা নত্তে। লমদমসিদা কোংগ্রেস লৈঙাক লৈরকপদগী করি করম্বা অফবা অহোংবা পুরকখ্রবগে। অহোংবা হায়ববু করপসন মঙাইরে। মরম অসিনা মণিপুর চাউখৎহনসি হায়রবদি কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট লৈহন্দবা মথৌ তারে।

উরিপোক এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা মফম কয়াগী লম্বীশিং ঙসিসু ফীভম ফত্তনা লৈরি। থক্লবা অফবা ঈশিং মফম খুদিংদা নীংথিনা ফংহন্দ্রি। মসিগীসু মথক্তা হীরম কয়াদা শোত্থবা মফম অমা ওইরি। এ সী অসিদগী বি জে পিগী মীরেপ ওইনবগীদমক মীওই কয়ানা টিকেট তান্নরি। অদুবু টিকেট ফংবা মীওই অদুদা অমত্তা ওইনা শৌগৎসি। টিকেট ফংদ্রে হায়দুনা চোংথোক-চোংশিন তৌগুমসি। ঐহাকসু বি জে পিগী টিকেট ফংদ্রবদি মীরেপ ওইজরোই। সেন্টরদা লৈরিবা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগী য়াইফননবা স্কিম কয়া পায়খৎলি। ষ্টেটসিদসু বি জে পিগী গভর্ণমেন্ট লাকহনসি হায়রবদি মীয়ামগী থৌদাং চাউই। কোংগ্রেস পার্টিনা বি জে পি অসি পংহাই হায়জিল্লি হায়না লাউরি। অদুবু কোংগ্রেস পার্টি অসিদি মীয়াম্না খোল্লাউ লাউদুনা ৱাকৎ-মীফম, রেল্লি নৎত্রগা মীশি-মীনা থোক্ত্রিবফাওবা করিগুম্বা থবক অমত্তা তৌদ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা উরিপোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা মশক নাইরবা মীওই কয়ানা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# অনইমপ্লোয়মেন্ট এল্লাওৱেন্স পীনবা মীৎয়েং চঙউ : শামুঙৌ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস): থবক ফংদ্রিবা লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহাশিংদা অনইমপ্লোয়মেন্ট এল্লাওৱেন্স পীনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না সী পি আই (এম এল) লিবরেসন মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি সাপম শামুঙৌনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

তেরা থিংবাইজম লৈকায়দা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিদা লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহা লাখ ৭ হেনবনা থবক ফংদনা লৈরি। লাইরিক-লাইশু হৈরবা থবক ফংদ্রিবশিং অসিগীদমক লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং অমা চঙদুনা স্কিম অমা পায়খৎলগা অনইমপ্লোয়মেন্ট এল্লাওৱেন্স পীফম থোকই। ইন্দিয়া ষ্টেট খরদসু থবক ফংদবা নহাশিংদা অনইমপ্লোয়নন্টে এল্লাওৱেন্স পীবা য়াওরি।

ষ্টেট অসিদা ইন্দষ্ট্রি নীংথিনা লৈতবা অমদি থবক শুফম নোম্ফম লৈতবগী খুদোংচাদবা কয়া অসি য়েংলগা লৈঙাক্না থৌরাং কয়া পায়খৎফম থোকপনি। অনইমপ্লোয়মেন্ট এল্লাওৱেন্স অসি মেট্রিক্যুলেটতা লুপা ২০০০, টুয়েল্ভ পাস তৌবদা লুপা ২৫০০ অমদি গ্রেজুয়েট, দিগ্রীনচিংবা পায়বা মীওইশিংদনা লুপা ৩০০০ গী চাংদা পীরবদি য়াম্না ফগনি। অনইমপ্লোয়মেন্ট এল্লাওৱেন্স পীবগী থবক অসি পায়খৎলকপা মতমদা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদগী খরমখৈদি ফগৎপা ঙমগনি। ষ্টেট অসিগী মীয়ামগীদমক খল্লগা লৈঙাক্না মতম চানা মীৎয়েং চঙফম থোকই। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী গভর্ণরসু উনদুনা ৱারী শানবা হোৎনগনি। করিগুম্বা উনবা ফংদ্রবসু মেমোরেন্দম অমা পীশিল্লগনি। চীফ মিনিষ্টরদসু মেমোরেন্দম অমা পীশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# দ মণিপুর ৱার ওফ ১৮৯১ : এ *মীদিয়া নরেটিবস* ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস): গুনচন্দ্র ককচীংতাবমনা এদিট/কম্পাইল তৌবা দ মণিপুর ৱার ওফ ১৮৯১ : এ মীদিয়া নরেটিবস হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি শিংজমৈ পার্কিংদা লৈবা শিংজমৈ কম্যুনিটি হোলদা ফোঙখ্রে।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা ডা. ৱাই মনি খুমন, কনভিনর, পি পি সী এম, ৱাংখেমচা শমজাই, প্রসিদেন্ট, অমজু, অহোংশাংবম মোবি, প্রসিদেন্ট, এদিটরস গিল্ড মণিপুর, খোইরোম লোয়ালাকপা, এদিটর, নহারোলগী থৌদাং, পি ঐচ দেবান শর্ম্মা, প্রসিদেন্ট, অমুকো অমসুং লোকেন্দ্র অরাম্বম, ফোর্মর হেদ ওদিও ভিজুয়েল রিছার্চ সেন্টর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। লাইরিক অদু ডা. হোমেন থাংজম, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার, দিপার্টমেন্ট ওফ পোলিটিকেল সাইন্স, মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজনা লাইরিক মশক তাকখি।

লাইরিক অসিগী অইবা গুনচন্দ্রনা ককচীংতাবমনা হায়খি, লাইরিক অসি বৃটিশ ৱার ওফিস অমদি অতোপ্পা মপান লৈবাক্তগী ফোঙবা পাউচেশিংদা য়াওখিবা চেরোলশিং অদু খোমজিল্লগা ফোঙজবনি। অদুগুম্বা রিপোর্ট ময়াম অদু খোমজিল্লগা মীদিয়া অমা ওইনা থম্নবা হোৎনজবনি।

# অথোকপম খোলচন্দ্রনা ইবা *চৈরাক* ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, ইম্ফালনা শিন্দুনা অথোকপম খোলচন্দ্র সিংহনা ইবা *চৈরাক* হায়না মিংথোনবা ৱারীমচাগী খোমজিনবা লাইরিক অমা ঙসি নুংথিল য়াইস্কুল পুলিস লেন্দদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা ফোঙখ্রে।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা প্রোফেসার নোংমাইথেম তোম্বী, এক্স-প্রসিদেন্ট, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা চীফ গেষ্ট, থিংবাইজম শরতচন্দ্র, ভাইস প্রসিদেন্ট, মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, ইম্ফালনা প্রসিদেন্ট ওইখি। প্রোফেসার নহাকপম অরুনা, হেদ দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং প্রসিদেন্ট লৈকোলনা লাইরিক মশক তাকখি।